## চহী ৫ হেন্না থবক তৌরমদবা দোক্টর ৬৪ দিস্মিস তৌখ্রে

পাটনা, জন্যুৱারী ১৩ (এজেন্সী) : ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা চহী ৫ হেন্না মশাগী তৌফম থোকপা মথৌশিং তৌরমদবা অমদি ওফিস কারমদবা দোক্টর ৬৪ ঙসি বিহার গভর্ণমেন্টনা থবক্তগী দিস্মিস তৌখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

হেল্থ দিপার্টমেন্টগী মায়কৈদগী লাকখিবা কমপ্লেন অমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফমদা দোক্টরশিং অসিবু থবক্তগী লৌথোক্লবা ফীরেপ লৌখিবনি। দোক্টরশিং অসি বিহারগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিং অরারিয়া, ঔরঙ্গবাদ, বানকা, ভাগলপুর, ভোসপুর অমসুং দরবঙ্গদা পোষ্টিং পীখিবনি। অদুবু হায়রিবা দোক্টরশিং অসিনা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা মখোয়গী পোষ্টিং মফমদা চৎলমদবা থেংনবদগী থবক্তগী লৌথোক্লবা ফীরেপ লৌখিবনি। ওথোরিটিনা ফীরেপ অসি লৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা দোক্টরশিং অসিদা কয়ারক হন্না মশাগী পোষ্টিং মফমদা চৎনবা খঙহনখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

## বিল্ডিং নিংখায়রকপদগী শিন্মী অমা শিরে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ১৩ (এজেন্সী) : ৱেষ্ট দেল্লিগী পসচিম ভিহারদা হৌজিক হৌজিক শেম শাবগী থবক চথুরিবা বিল্ডিং অমা নিংখায়রকপগী থৌদোক্তা বিল্ডিং অদু শাবদা য়াওবা শিন্মী অমা লৈখিদ্রে। অদুগা অতোপ্পা অহুমনা অশোক অপন নঙখ্রে হায়রি। থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং কমলেশ্বারি য়াদব কৌই। অদুগা থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওইশিং অদুনা মিথুন য়াদব (২১), অমিট য়াদব (২২) অমসুং অজয় কুমার য়াদব (২২) কৌই। মখোয় খুদিংমক জরখন্দগী গোদা দিষ্ট্রিক্তগীনি হায়রি।

## ইলেক্সন মমাঙদা মীয়ামদা পীখিবা থাজবশিং হিমাচল প্রদেশ লৈঙাক্না থবক্তা ওন্থোকপা হৌখ্রে



সিমলা, জন্যুৱারী ১৩ (এজেন্সী) : চীফ মিনিষ্টর সুখবিন্দর সিংহ সুখুনা লুচিংবা হিমাচল প্রদেশ লৈঙাক্কী ওইনা ঙসি ইহান হান্না ফমখিবা কেবিনেটনা ইলেক্সন মমাঙদা মীয়ামদা থবক ওইনা পাঙথোক্কনি হায়না থাজবা পীখিবশিংগী মনুংদা ওল্ড এজ পেন্সন স্কিম অমুক হন্না ষ্টেট অসিদা চৎনহনখ্রে হায়রি।

মমাঙ চহীগী লোয়শিল্লকপদা পাঙথোকখিবা হিমাচল প্রদেশ এসেমব্লি মীখলগী মাঙওইননা কোংগ্রেস পার্টিনা ইলেক্সনদা মায় পাক্তুনা পৱার পায়বা ঙম্লবদি ওল্ড এজ পেন্সন স্কিম অমুক চৎনহনগনি হায়দুনা মীয়ামদা থাজবা পীখিবনি। মীয়ামদা পীখিবা থাজবা অদুগী মতুংইন্না ঙসি অনৌবা লৈঙাক অসিগী ইহান হানবা কেবিনেট মীফমনা ওল্ড এজ পেন্সন স্কিম চৎনহন্নবা ফীরেপ লৌখিবনি হায়রি।

কেবিনেট মীফম লোয়রবা মতুং চীফ মিনিষ্টর সুখুনা পাউমীশিংগী মমাঙদা ৱা ঙাংলদুনা হায়খিবদা ঙসিদগী হৌরগা ওল্ড এজ পেন্সন স্কিমগী খুদোংচাবা মীয়ামদা ফংহল্লগনি অমদি মসিগা মরী লৈনবা নোটিফিকেসনশিং অথুবা মতমদা থৌরক্লগনি। মসিদা নত্তনা কোংগ্রেস পার্টিনা মীয়ামদা থমখিবা ষ্টেট অসিগী নুপীশিংদা থা খুদিংগী লুপা ১৫০০/১৫০০ য়েন্থোক্কনি হায়বা ৱাফম অদুসু থক্তা ওন্থোক্লগনি। অনৌবা লৈঙাক অসিনা ষ্টেট অসিগী থবক ফংদ্রিবা নহা লাখ অমরোমদা থবক পীনবগীদমক খন্নবা হৌখ্রে। মসিগীদমক কম্মিটি অমা শেমখিবগা লোয়নননা য়েংশিনবগী থবক চথুবা হৌরগনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হান্না ষ্টেট অসিদা লৈরম্বা বি জে পি গভর্ণমেন্টনা বদজেটকী অয়াবা য়াওদনা হাঙদোক্লম্বা ইন্সটিট্যুসন ৯০০ হেন্না মশক খঙদোকপা ঙমখ্রে। হায়রিবা ইন্সটিট্যুসনশিং অসি চল্লাইনবা হোৎনবদা লুপা ক্রোর লিশিং ৫ রোম মথৌ তারি। মরম অদুনা ইন্সটিট্যুসনশিং অসিগী মতাংদা অখন্নবা কম্মিটি অমা শেমদুনা য়েংশিনবগী থবকসু অথুবা মতমদা হৌরগনি। লোয়নননা কোংগ্রেস পার্টিনা ইলেক্সন মমাঙদা মীয়ামদা থমখিবা থাজবশিং থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্লবা শোয়দনা হোৎনগনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদা মীয়াম্না পেন্দবা লৈরবসু খুদক্তা মরী লৈনবশিংদা খঙহনগদবনি। মসিনা মীয়ামগী ওইবা অফবা লৈঙাক অমা তুং কোয়না ষ্টেট অসিদা লৈহনবা ঙমগনি। হান্না লৈরম্বা বি জে পি লৈঙাক্না শেলদি লৌথোকখ্রগা পায়খৎলমদবা প্রোজেক্ট কয়া থেংনরে হায়রি।

## রাজৌরি টেরর এটেকতা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি ঃ অমিট শাহ



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ১৩ (এজেন্সী) : জম্মু অমসুং কাস্মিরগী রাজৌরি দিষ্ট্রিক্তা থা অসিগী অহৌবা নুমিৎতা লালহৌবশিংনা এটেক চথুদুনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ৭ হাৎখিবগী থৌওং অদুবু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখিবগা লোয়নননা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং মশক খঙদোক্তুনা লোগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীগনি হায়না ঙসি ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা রাজৌরি দিষ্ট্রিক্তকী অপ্পর দঙ্গ্রি ভিলেজদা লালহৌবশিংনা চথুখিবা এটেকতা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা টেলিফোনগী খুথাংদা ৱারী শাননখ্রে। মহাক মশা ঙসি লৈখিদ্রবা মীওই ৭ অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা উন্নরবা হোৎনখিবনি। অদুম ওইনমক ৱেদরগী ফীভম ফৎতবনা মরম ওইরগা চথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবনা মরম ওইরগা মহাক চৎখিদবনি। জম্মু অমসুং কাস্মিরগী লেফটনেন্ট গভর্ণর মনোজকসু লায়বক থিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা ৱারী শাননখ্রে। ৱেদরগী ফীভম ফংগৎলকপগা মহাক লৈখিদ্রবশিংগী ময়ুমদা চৎকনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সেন্ট্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ), জম্মু অমসুং কাস্মির পুলিস, আর্মি অমসুং সিক্যুরিটি এজেন্সী খুদিংমক্তা মখা তানা অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং অসি থোকহন্দনবা অকনবা ইন্সট্রক্সনশিং পীখ্রে। লালহৌবশিংগী এটেকতা শোক্তুনা লায়কন্নরিবা মীওই ১৪ গী হকচাংগী ফীভমসু অথুবা মতমদা ফংগৎলকপা ওইরসনু হায়রি।

টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংনা জম্মু অমসুং কাস্মিরদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক কয়া চথনবা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমহন্দনবা হোৎনরি। মরম অদুনা জম্মু অমসুং কাস্মিরদা লৈবা মীয়াম্না মীপায়বা পোক্লোইদবনি। থা অহুমগী মনুংদা জোন খুদিংমক্তা সিক্যুরিটিগী মপাঙ্গল অমদি চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং কনখৎহল্লগনি। থা অসিগী অহৌবা নুমিৎতা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিলহন্নবগীদমক নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সীদা খঙহনখ্রে হায়না অমিট শাহনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা লালহৌবশিং কন্ট্রোল তৌনবা কন্না হোৎনরি হায়রি।

## কোভিকী অনৌবা কেস ১৭৪ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ১৩ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১৭৪ থেংনখিবগা লোয়নননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই অনী শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১৭৪ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৮০,৭৫৭ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ২২৫৭ দা হন্থখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই অনী শিহনখিবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৭২৫ শুখ্রে। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮০ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়নননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি।

## ‘লম্বী থোংগী ফীভম ফগৎহনবদা মিৎয়েং থম্লি’



ভরানাসি, জন্যুৱারী ১৩ (এজেন্সী) : লৈবাক অমা মপুং ফানা চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা লম্বী থোংগী ফীভম হান্না ফহনবা মথৌ তায়। লৈবাক অদুগী মনুংদা লৈরিবা মফমশিংগী মরক্তা ফাওনরিবা লম্বীশিংগী ফীভম মপুং ফানা ফরবা মতমদতা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী শাংবা রিভর ক্রুজ এম ভি গঙ্গা ভিলাস লমথাবগী থৌরমগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা রিভর ক্রুজ অসিনা নুমিৎ ৫১ নিগী মনুংদা কিলোমিটর ৩২০০ চৎকনি। ক্রুজ অসিনা দিব্রুগর ফাওরবা মতুং বাঙ্গলাদেশতা থুংগনি। খোঙচৎ অসিদা রিভর সিষ্টেম ২৭ ক্রুজ অসিনা ফাওদুনা চৎকনি। সেন্টরদা হৌজিক লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ষ্টেট ষ্টেটশিংগী লম্বী থোংগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা অহেনবা মিৎয়েং থমদুনা লাক্লি। নেসনল হায়ৱেশিং শেমগৎ শাগৎনবগীদমক য়াম্লবা শেনফম কয়া কায়থোক্তুনা থবক তৌরি। লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোকথংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী লম্বীগী ফীভম হান্না লৈরম্বা ফীভমগা য়েংনরুবদা কা হেন্না ফগৎলকখ্রে। লৈবাক অসিগী লম্বী থোংগী ফীভম হান্নদগী হেন্না ফগৎলকপদগী চাওখৎপগী চাংসু হেনগৎলক্লে হায়রি।

## নোংমৈনা পানবদগী লায়কন্নরকখিবা অঙাং লৈখিদ্রে

স্রিনগর, জন্যুৱারী ১৩ (এজেন্সী) : জম্মু অমসুং কাস্মিরগী মনুংচনবা পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্তা ঙরাং মফম খঙদনা পাইরকখিবা নোংমৈ মরু অমনা পানবদগী লায়কন্নদুনা লাকখিবা মশাগী চহী ৯ রোম শুরবা নুপামচা অমা ঙসি হোস্পিটালদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবা নুপামচা অসিগী মমিং অফ্রান অহমদ কৌই। সুরানকোটে এরিয়াদা ঙরাং অঙাং অসি লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা থৌরম অমা য়াওরিঙৈদা কদোমদগী কাপ্লকখিবনো খঙদবা নোংমৈ মরু অমনা পানবদগী রাজৌরিদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা খুদক্কী ওইবা ট্রিটমেন্ট চথুরবা মতুং মখা তানা লায়েংনবগীদমক মেদিকেল কোলেজ জম্মুদা পুরকখিবনি। অদুবু মহাক ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, জম্মু পুলিসনা থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা থিজিনবগী থবক চথুবা হৌখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি নোংমৈ মরু অদু কনানা কাপথোরকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু লালহৌবশিংনা চথুখিবা থৌওং ওইরম্বা য়াই হায়না পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

## উন কা হেন্না তাবদগী স্রিনগর-জম্মু হায়ৱে থিংজিনখ্রে



স্রিনগর, জন্যুৱারী ১৩ (এজেন্সী) : জম্মু অমসুং কাস্মিরগী মফম অয়াম্বদা ইংবগী চাং কা হেন্না হেনগৎলকপগা লোয়নননা কাস্মিরগী মফম অয়াম্বদা উন তাবগী চাংসু ৱাংখৎলক্লি। মসিনা মরম ওইরগা স্রিনগর-জম্মু নেসনল হায়ৱেদা চথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লকপদগী মতম খরগী ওইনা হায়ৱে অসি থিংজিল্লে হায়না মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

জম্মু অমসুং কাস্মিরদা ময়ায়রপ ওইনা উন তাবগী থৌদোক অসি হান্নদবগী হৌনা থোক্তুনা লাক্লি। অদুবু ঙরাংদগী হৌরগা উন তাবগী চাং কা হেন্না হেঞ্জিল্লকখিবগা লোয়নননা ঙসি অয়ুক নেসনল হায়ৱে অসিগী অকোয়বদা হায়ৱে অসি থিংজিন্নবা মরী লৈনশিংনা ফীরেপ লৌখিবনি। জম্মু অমসুং কাস্মিরদা লৈবা মমিং চৎলবা গুলমার্গকী স্কি রিজোর্ট, ফালগমগী টুরিষ্ট রিজোর্ট অমদি মফম কয়াদসু পাক্তন্না উন তাবা থেংনখি। স্রিনগরগী অৱাংবা শরুকশিংদা উন তাবা থেংনখিবগা লোয়নননা তম্পাক্কী শরুকশিংদনা নোং তাখি। স্রিনগর-জম্মু নেসনল হায়ৱে অসি য়াম্না মরুওইবা লম্বী অমনি। লৈবাক অসিগী অতোপ্পা মফমশিংগা ফাওনহল্লিবা অসি হায়রিবা লম্বী অসি খক্তনি। অদুবু লম্বী অসিদা খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্তনবগীদমক্তা হায়ৱে অসি মতম খরগী ওইনা থিংজিনখিবনি। ৱেদরগী ফীভম ফৎতবনা মরম ওইরগা স্রিনগর এয়রপোর্টতসু খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহনখ্রে। অয়ুক্কী মতমদা হান্না ফ্লাইট সর্ভিস লৈরম্বা অদুগী মতাংদসু হোঙদোক হোঙজিন খরা লৈখ্রে। অয়ুক অঙনবগী ওইনা পুং ৯ দগী ফ্লাইট সর্ভিস হৌনবা ফীরেপ লৌখ্রে। মসিগী মাঙওইননা হান্না লৈরম্বা ফ্লাইট সর্ভিসশিং কেন্সেল তৌখ্রে হায়রি।

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-VII, DSLR, MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 17/AS&SO-VII Dt. 12/01/2023**

1. Nongthombam Arunkumar Singh S/o Shamu Singh of Kiyam Siphai Babu Bazar.
2. - do - Romeshchandra Singh S/o - do - of - do -
3. - do - Romita Devi D/o - do - of - do -
4. Premita Nongthongbam W/o Ahongshangbam Premananda Singh of Singjamei Chingamakha Maibam Leikai. -Applicant

-Vs-

(L) Thingujam Nitambini Devi W/o Shamu Singh of Kiyam Babu Bazar. -OPP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dated, 12/01/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল লিলোং খুল নং ২২-কিয়াম সিফাই, পাট্টা নম্বর ৮৬৯, ৯৬৬, ১১১৯, ২০৯ (অরিবা) ৪০৩ (অনৌবা) দাগ নম্বর ১১২২ এরিয়া .৫৩৫০ হেক্তর ফৌরেল, দাগ নম্বর ২০৪৪ এরিয়া .১২৪০ হেক্তর ফৌরেল, দাগ নম্বর ২১৪৩ এরিয়া .২২৩০ হেক্তর ইঙ্খোল, দাগ নম্বর ২১৪৫ এরিয়া .১৭৮০ হেক্তর ফৌরেল, দাগ নম্বর ২৩১৪ এরিয়া .১৪৩৪ হেক্তর ফৌরেল অপুনবা ১.২০৩৪ হেক্তর চাওবা ফৌরেল অমসুং ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিশিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্লকপা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
**Asst. Survey & Settlement Officer-VII**
**DSLR, Manipur**
HL-P/5714/14

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST**

**Ref :- Mutation Case No. 7 of 2023**

Chongtham Brajamani Singh S/o (L) Chongtham Iboyaima Singh of Langthabal Kunja Makha Leikai. -Petitioner

-Vs-

1) (L) Chongtham Lukhoi Singh S/o (L) Hema Singh of Langthabal Kunja.
2) (L) Chongtham Iboyaima Singh S/o (L) - do - of - do -
3) Chongtham Ningthembi Singh S/o (L) - do - of - do - -Opposite Parties

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Lilong Chajing Dated : 12/01/2023

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি মৃত ওইখ্রবা Pattadar 1) Chongtham Lukhoi Singh Co-Pattadar No. (1) 2) Chongtham Iboyaima Singh Co-Pattadar No. (3) S/o (L) Hema Singh of Langthabla Kunja গী মীংদা পানবা খুল নং 67-Langthabal Kunja Patta No. 151 অরিবা 1515 অনৌবা CS Dag No. 1352 গী এরিয়া 0.13500 একর চাওবা ইঙ্খোল Petitioner না মশাগী মীংদা নামা পানবীয়ু/ওনশিনবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC - Lilong Chajing, Imphal West কী Office তা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ তরেৎ (৭) নি ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাকপীদুনা Objection তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। Court কী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Lilong Chajing, Imphal West
HL-P/5717/14

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGLAM**

**Ref :- Mutation Case No. 04/SDC/H Dt. 12/01/2023**

1. Elangbam Ongbi Bimola Devi W/o (L) Elangbam Ibotombi Singh of Hiyanglam Awang Leikai.
2. Elangbam Ishwarjit Singh S/o (L) Elangbam Ibotombi Singh of Hiyanglam Awang Leikai.
3. Elangbam Premjit Singh S/o (L) Elangbam Ibotombi Singh of Hiyanglam Awang Leikai. -Petitioners

-Vs-

(L) Elangbam Ibotombi Singh S/o (L) Elangbam Maipak Singh of Hiyanglam Awang Leikai. -OPP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
kakching, the 13th January, 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি হিয়াংলম তহসিল খুল নং: ৬৭-হিয়াংলম (১) অনৌবা পাট্টা নং: ১৬৯ অরিবা পাট্টা নং: ১৩১ গী দাগ নং: ৩০০৭ কী লম হেক্টর .৫৪১০ চাওবা ফৌরেল লৌফম (২) অনৌবা পাট্টা নং: ১৭০ অরিবা পাট্টা নং: ১৩২ গী দাগ নং: ৩০০৮ কী লম হেক্টর .৯০৫০ চাওবা ফৌরেল লৌফম (৩) অনৌবা পাট্টা নং: ১৭২ অরিবা পাট্টা নং: ৫১১ গী দাগ নং: ৩০১০ গী লম হেক্টর .৬২৯০ চাওবা ফৌরেল লৌফম (৪) অনৌবা পাট্টা নং: ১৭১ অরিবা পাট্টা নং: ৫১১ গী দাগ নং: ৩০০৯ গী লম হেক্টর .২২০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং কল্লগা উক্ত দংকারিশিংগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Hiyanglam
HL-P/5656/14

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**

**Ref :- Mut. Case No. 28/SDC/M Dt. 13/01/2023**

1. Phuritshabam Binanta Meitei S/o (L) Ph. Tomba Singh of Terakhong shangbi Leimaram Leikai (0.17 acres in the Southern Side).
2. Ph. Mohesh Meitei S/o (L) - do - of - do - (0.17 acres in the Middle side)
3. Potsangbam Landhoni Devi W/o P. Henou Singh of Terakhongshangbi Mamang Leikai.
4. Ningthoujam Memi Devi W/o N. Kunjabi Singh of - do -
5. Ningthoujam Naobi Devi W/o N. Mangijao Singh of Leimaram Mayai Leikai.

(3–5: 0.145 acres in the Northern side) -Petitioners

-Vs-

(L) Phuritshabam Tomba Singh S/o (L) Tonan Singh of Terakhongshangbi. -OPP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Moirang, the 13th Jan., 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৯১-ক্বাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ২০৬৬/২২০৬ অনৌবা সি:এস:দাগকী নং ১৩৭৬/১৬২৯ এরিয়া ০.৫২৫ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মীংদা লৈবা লম অসি মশাগী ইমুং মনুং মচাশিংনা লম অসি মীং নামা ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Moirang
HL-P/5719/14

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SALAM**

**Ref :- Mut. Case No. 10/SDC/IW(S) Dated 13/01/2023**

Chongtham Mani Devi W/o (L) Chabungbam Birachandra Singh of Awangkhunou Mamang Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Chabungbam Birachandra Singh S/o (L) Tompok Singh of Awang Khunou. -OPP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
The 13th January, 2023

U/S 46(3) of MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার Chabungbam Birachandra Singh পীং মৃত Tompok Singh সাং Awang Khunou মীংদা লৈবা Salam তহশিংগী খুল নং 77-Awang Khunou গী অনৌবা পাট্টা নং 413 দাগ নং 428 এরিয়া 0.48 একর চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ 7 গী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌনিংলবদি অইবা চেগা লোয়নননা তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈতরে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তানা থবক চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Salam, Imphal West
HL-P/5720/14

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING**

**Ref :- Mutation Case No. 06/SDC/K Dated:- 12/01/2023**

Nongthombam Kumar Singh S/o (L) Nongthombam Apabi Singh of Keirak Mayai Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Nongthombam Rajen Singh S/o (L) Nongthombam Leipakmacha Singh of Keirak. -OPP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
kakching, the 13th January, 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি, ককচিং তহসিল খুল নং: ৬৫-কৈরক অনৌবা পাট্টা নং: ৭৩৯ অরিবা পাট্টা নং: ১২৫৩ গী দাগ নং: ১৩৩৩ গী লম হেক্টর .২৪৮০ চাওবা ইঙ্খোল অসিগী কো: পাট্টাদার নং: ১ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং কল্লগা উক্ত দংকারিগী মীংদা মৃ: পাট্টাদারগী ফংফম থোকপা শরুক অদু নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কেস অসিগা মরী লৈনবা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Kakching
HL-P/5656/14

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**

**Ref :- Mut. Case No. 28/SDC/M Dt. 13/01/2023**

Phuritshabam Mahesh Meitei S/o (L) Ph. Tomba Singh of Terak-hongshangbi Mamang Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Phuritshabam Ongbi Rani Devi W/o Tomba Singh of Terakhongshangbi. -OPP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Moirang, the 13th Jan., 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৯১-ক্বাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ১ অনৌবা সি:এস:দাগকী নং ২১৭১ এরিয়া ০.৫৮ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মীংদা লৈবা লম অসি মশাগী ইমুং মনুং মচানা মীং (নামা) ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Moirang
HL-P/5719/14

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**

**Ref :- Mut. Case No. 30/SDC/M Dt. 13/01/2023**

1. Ningthoujam Ahalshaba Singh S/o (L) N. Sanajaoba Singh of Keibul.
2. N. Ibosana Singh S/o (L) - do - of - do -
3. N. Jogendra Singh S/o (L) - do - of - do -
4. N. Manichandra Singh S/o (L) N. Thambalngou Singh of - do - -Petitioners

-Vs-

(L) Ningthoujam Sanajaoba Singh S/o (L) N. Thambalngou Singh of Keibul. -OPP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Moirang, the 13th Jan., 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৫৪-খা থীনুঙ্গৈদা লৈবা পাট্টা নং ৪৬৩ অনৌবা সি:এস:দাগকী নং ৪০১৬ এরিয়া ৩.৬৬ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মীংদা লৈবা লম অসি মশাগী ইমুং মনুং মচাশিংনা মীং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Moirang
HL-P/5719/14

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-VII, DSLR, MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 18/AS&SO-VII Dt. 12/01/2023**

Oinam Tampakleima Devi W/o (L) Oinam Okendro Singh of Thoubal Awang Leikai. -Applicant

-Vs-

(L) Oinam Okendro Singh S/o (L) Oinam Biren Singh of Thoubal Awang Leikai. -OPP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dated, 13/01/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ২৮- থৌবাল অচৌবা, পাট্টা নম্বর ১১/৮২৬ (অরিবা) ৯৩/২০৪৬ (অনৌবা) দাগ নম্বর ১০৫/১৭৮, এরিয়া .০২৭১ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি ওইনাম তমপাকলৈমা দেবীদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্লকপা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
**Asst. Survey & Settlement Officer-VII**
**DSLR, Manipur**
HL-P/5722/14